হুইয়েন লানপাও
নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ১০, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৯০ শুবা মশীং

# স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি

## পোলিটিক্স য়াওদবা স্পোর্টর্স য়ুনিভর্সিটি পামই

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী তরামাথোইশুবা মীখল নকশিল্লকপগী মতীক মীখল অসিদা য়াম্না কন্না লম্বা তৌগনি হায়না পানরিবা ইন্দিয়ন নেসনেল কোংগ্রেস (আই এন সী) অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) অনীগী মরক্তা হুন্নবা হেনগৎলক্লি। দিমোক্রেসিগী তঙাইমক ফদবা শরুক ওইরিবা মীখলময়াদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয় মখোয়গী পোলিসী প্রোগ্রামশিং মীয়ামদা খঙহন্দুনা ভোটরশিং ফাননবা হোৎনবা হায়বসি হৌনশানি। মীখলগী মতম লেপত্রিবনিনা ইলেক্সনগী কোদ ওফ কন্দক্টসু লাক্ত্রি। অদুবু পার্টি অনীগী লুচিংবশিংনা মফম অমদা হেক্তা পাঙথোকপা পব্লিক মীটিংদদি চৈনদবা, হুন্নদবা য়াওদ্রে। মরু ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী য়াওনা কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা সেন্টরদা লৈঙাক্লিবা বি জে পিগী থৌশিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱা ঙাঙলি। অমরোমদনা চহী ১৫ লৈঙাক্লক্লুবা চীফ মিনিষ্টর ইবোবীনা লুচিংবা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী থৌশিলদা অরানবা, মীচং-মীখাই নাইবা কয়ামরুম য়াওরে হায়না মরাল শীরি। মখোয় মশেল মরাল শীনবা হায়বসিদি মহৌশানি। কোংগ্রেসনা মণিপুরদা তৌবা অফবা থবক বি জে পিনা অফবনি হায়রোই, বি জে পিনা মণিপুরগীদমক পায়খৎপা অফবা থবকশিং কোংগ্রেসনা তরাম্না ওক্লোই। মসিনি ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিদা ফজদবা মচৎ হায়বদু। নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মণিপুরদা শেনবা চহী ২০১৪-১৫ দা পায়খৎলগনি হায়না লাউথোকখি। বি জে পি লৈঙাক্কী ফোংখিবা চহীগী এচিবমেন্টকী রিপোর্ট কার্দতা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি এক্ট মণিপুর হায়দুনা তরেৎশুবা পোইন্টদা য়াওরি। রিপোর্ট কার্দ অদুদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাননবা লম একর ৩৩৬.৯৩ মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফ্যোর্স এন্দ স্পোর্টসতা ট্রান্সফর তৌরক্লে হায়না ফোঙদোক্লি। নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি বিল ২০১৬ তা পুথোক্লনবা মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসকা তানরি হায়নসু পল্লি। মণিপুরদা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী খুদোংচাবা পীরিবসিগী মরু ওইবা মরম নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংগী শান্নরোয়শিং গ্রাস রুট লেভেলদগী শেমগৎপা য়াননবনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী য়াম্না মরু ওইবা নেসনেল হায়ৱে-৫৩ (ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী) শেম্বদা পুক্লিং চঙদবা অমসুং স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি পীরে হায়রগা হৌজিক ফাওবা মসিগী কান্নবা ফংহনবা ঙমদবসি কোংগ্রেসকী ওইনদি পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিবু চৈননবগী অচৌবা মরম অনী ওইহল্লে। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি থবক হৌবা ঙমদবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়রিবনা য়েৎনবা লৈবা মফম হুন্দোক্লগা, য়েৎনবা লৈতবা মফমদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবা য়াই হায়বসিনি। অমরোমদা ৱাফম অসি কদায়ফাওবা অচুম্বনি হায়না লৌবা য়াবগে হায়বসি ৱাহং অমনি। মিনিষ্ট্রিনা য়ুনিভর্সিটি অসি শাননবগীদমক বিল অমা শেম্বা মথৌ তাই। বিল অমা শেম্বা মতমদা লৈগদৌরিবা য়ুনিভর্সিটি অদুগী হেদ ক্বার্টরস কদায়দনো হায়বা অমা পন্দবা য়াদে। হেদ ক্বার্টরস পন্নবা লম অদু কদায়দা লৈবগে হায়না থিবদা লৈঙাক্লা মিনিষ্ট্রিদা শীন্নখিবা লম অদু য়েৎনবা লৈ, কোর্টতা কেস লৈ হায়বনচিংবা ৱাফমশিং মথং-মথং লাকপদা বিল অমা হাউসতা পুথোকপদা খুদোংচাদ্রিবদুসু ঐখোয়না খঙমিন্নবা চঙই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি য়েৎনবা লৈতবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৌক্রুক্তা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবীয়ু হায়বদা লৈঙাক্লা য়াখিদে। লমগী মমল লুপা অমফাওবা লৌজরোই, অপাম্বা লম লৌবীয়ু হায়বদসু তাবীখিদে। অমরোমদনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইথিবী লৌকোলদা য়ুনিভর্সিটি শানবগীদমক লৌরিবা লমশিং অসি লন্নাই মীওইশিংদগী লৈঙাক্লা শেল তিংনা লৈবনি। লায়রখ্রবা ষ্টেট অসিদগী অচৌবা শেনফম অমসু চাদিং তৌহনবা অদুগা অমুক্কসু য়েৎনবা লম ওইহনবা হায়বসি অফবদি নত্তে। থৌবাল নৎত্রবদি য়ুনিভর্সিটি অসি শাফম লৈত্রবরা, হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক পুকচেল শেংবা মথৌ তাই। ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোব ফাওবা পীবা নিংথিনা ঙমদ্রিঙৈ অসিদা লন্নাই মীওই কয়াদগী লম লৈবদা শেল কয়া য়াম্না এক্স চেক্করদগী চৎখিবগে হায়বা লৈঙাক্লা মীয়ামদা পুথোকহন্নিংই। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবগী ৱাফমদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনা মীখলগী পোলিটিক্স শান্নরিবসি তোকসি, পোলিটিক্স য়াওদবা য়ুনিভর্সিটি অমা লৈহন্নবা পার্টি অনীমক্লা চুংশিন্নরগা থবক তৌরকপদু মণিপুরগী মীয়াম্না পামগনি হায়না খল্লি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### পেন্দবগী খোল্লাও

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মতমসিগী** অওনবা মরকসিদা পুরক্লিবা চাওখৎপগী খোঙজেলনা তৌবা ঙমদবা লৈত্রবা মতম অসিদা অফবগী লংলা লংজিন নোংমা নোংমগী মাঙথরকপনা হিংবদা ৱারবা খুন্নাই ওইরক্লে, অশিংবনা অপংববু শুমদুনা চারে, তুংগী মীরোলশিংবু লুচিংবশিংনা শুম (উদা লৈবা তীল) শাদুনা চারে, মনুংদদি হোরবা, মপানথোংদা য়েংবদদি ফীভম কায়দবা, লমজিং-লমতাক তৌরিবা খুন্নাইগী থৌগল তৌরিবশিংনা অরানবা লম্বীদা লমজিংলগা ফগদবসি কদাইদনো। নুংশি চান্নবগী থাক্লা হাৎনা শুনবা ওইরবা, অপাম্বনা, নুংশিবা শাজিন্নদুনা মীওই কয়াগী পুন্সিদা তেমশিংনদুনা পুন্সি পিখমহনবা, মীহাৎ-মীপুনগী লংলা লংজিন খঙদনবা হোৎনবনা ঙসিগী খুন্নাইগী শক্তম ওইরক্লে। লমচৎ শাজৎ, থকসি-খাসি ফজবগী শক্তম, থম্মোয় শেংবগী অশেংবা ৱাখল মমি শামখিদুনা লৈখা তারক্লবা, লায়ওং খঙদনা নারবা ঙসিগী ঐখোয়গী খুন্নাইনি। শ্বর হোনবদা চিংশিন্দুনা চঙখিবা মহিক্কা মান্নরবা, ফত্তবগী ৱাখলনা লুপখিদুনা অফ-ফত্ত খঙদ্রবা মতমগী ঈচেলনি। চৎন-কাঙলোন মথক-মখা ওন্দুনা অচুম্বা তৌবনা খুন্নাইদগী তোখাই তারবা, ফত্তবগী থৌশিল থৌদাং কয়ানা য়োৎকদবগী ঙাইরি ঙসিগী খুন্নাই। মতমগী য়াওল অঙকপগী মশক্লি থিংবদা ৱারবা। হুরানবনা হুখিবদি খরদনি অদুবু মৈনা চাকখ্রবদি তুম্না মাঙই হায়নরিবনি। ফত্তবা মৈরিনা ৱাইবা হৌরক্লিবা অসি মতম চানা মৈজাও ওইনা চাক্ত্রিঙৈদা কলহৌবা ঙম্বগী শক্তি অদো পীনহৈবা মপুনা সোসিএল ওর্গেনাইজর অমসুং খঙ হৈরবা লমজিং লমতাকপীরিবা মপী-মপা ওইবশিংদা পীনবীদুনা মুন্না খন্না নৈনহনবীয়ু।

মচানা মমা-মপাবু হাৎলে, মনাওনা ময়াম্ববু থৌদারে, থক খা ওন্নরে। তৌগদবা করিনো অৱাবগী মশক ওইরে। থবক ইনখাং শুনিংদবনা থল্লে, মোবাইলগী চক ওল্লে। য়েংহৈদ্রে ফিজেৎ চাকচা, শমকক-লাকক, চৎফম লৈত্রে লম্বী সরক, ককচেং চৎপগা মান্নরে গাড়ী পরেং পরেংনা, হে চাওখৎপা মতমগী ঈচেল। অমনা ঙাঙবা অমনা তাবিদ্রে। মসিদবু করম্না অপূনবা শক্তম পুরক্কনি। মান্নবা খুন্নাই পুরকসি লাউরি খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা, মফম খুদিং ঈহৌনা থল্লে। মনা পংলে, মমিৎ তাংলে লমজিংবশিং। কৈদৌঙৈ লাক্কনি মান্নবা খুন্নাই, অপূনবগী ৱারোইশিন। পোকখ্রবরা-পোক্ত্রিবরা লমজিং লমতাক্কদৌবা অচুম্বা চৎপা মীয়ামগী মপি-মপা ওইগদবা লমজিংবশিং। হে ইমা মণিপুর ওইহনবীয়ু, পোকপীয়ু অচুম্বা লজিং লমতাকপা ঙম্বা, কৎথোকপগী থৌজাল লৈবা মপারি-মমোম। হৈ মরু অমনা হৈ ময়াম পাল্লি। পেন্দবগী খোল্লাও লাউজরিবা ঐহাকপু অরানবা পাপকী লম্বীদা চিংশিনবীগনু। তাইবঙ শেম্বা মপুগী খুয়াখাদা তোল্লবা ননাইনা খুরুমজরি। পীনহৈবা নহাক্লা পীনবিয়ু। অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবীয়ু। খ্বাই পূন্ন মকপু থৌজালগী মিৎয়েংনা য়েংবীয়ু।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক*

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
**ডা. এম থোইথোই সিংহ**

১. খামেন অশিনবা চারাশিং লিংথোক্লবা মতুংদা মনাদা তীলনা মরী-মরী চৎপী দাগ তাহল্লিবা অমসুং তীলকুপশিং নপ্পা য়াম্না য়াওই। মসি থোক্তনবা মাঙজৌননা করি করি তৌবা য়াবনো। গ্রীন হাওস মনুংদা থাবনি। - ***প্রেমচান্দ সিংহ, কৈবুল লমজাও***

➩ খামেন অশিনবদা তারিবা তীলকুপশিং হ্বাইট ফ্লাই ভাইরসকী লায়না কয়া অমা শন্দোকই। মরী-মরী চৎপী তীল লীফ মাইনরদা নত্তনা মখল কয়াগী তীলশিং তাবা হন্থনবা চারাশিং (পান্বী মখল খুদিংমক) লিংথোক্লবা মতুং নুমিৎ ২০ নি শুবগা Voliam flexi মিলিলিটর ১২ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা শেল্লবা হীদাক্তু পান্বী মখোঙদা মিলিলিটর ৫০-১০০ (পান্বী চাওবা খেন্নবগী মতুং ইন্না) হাপকনি। য়াম্না লায়বা মওংদা হাপ্পা য়াই। স্প্রেয়রগী মচিন কোমথোকহল্লগা পান্বী মখোঙ মখোঙদা হাপ্পীবা য়াই।

২. ফৌ মরু চংবা হৌরে; তুকথবা য়াওরে, মতোন থংবা ফৌ মচু ওল্লে। অদুবু ৱাহিক তাবদগী পান্বীশিং ঙাঙশিল্লকপা য়াওরে। মসিবু হীদাক কাপ্পগা কান্নবা ফংখিগদ্রা ফংলরোইদ্রা? হীদাক কাপ্লবদি করি হীদাক কাপকনি খঙজনীংই। - ***এম নন্দোবী সিংহ, চাইরেন***

➩ খাওগদবা নুমিৎ ১৫ নি ২০ নি লৈখিগদবা ওইরবদি Dantotsu কাপসি। গ্রাম অনী ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পান্বীগী মখোঙ চোৎনবা কাপসি। শঙম অমা চাওবা লৌফমদা হীদাক গ্রাম ১২ কাপকনি। ষ্টিক্কর মিলিলিটর ৫ সু লিটর ১৫ গী সোলুসন খুদিংদা হাপহৌসি।

## কোংগ্রেংদা মুক্তা থাবা


**ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ সিংহ**

**মণিপুরদা** মুক্তা হায়না খঙনবা পর্ল হায়রিবা পোৎশক অসি অকনবা মকু পানবা কোংগ্রেংগুম্বা জিবশিংগী অথোৎপা টিশুশিং মরুওইনা মেন্টলনা পুথোকপনি। পর্ল হায়বা ৱাহৈসিমক য়াম্না ফজবা, য়াম্না তাঙবা অমসুং ময়াম্না পাম্নবা হায়বা ৱাহৈশিং অসিদগী লাকপনি। মুক্তা অসি কেলসিয়ম কার্বোনেটকী অপীকপা ক্রিসটেলাইন লায়র ময়াম্না পুনশিন্দুনা শেম্বনি।

মুক্তা অসি মখল অহুম থোক্লা খায়দোকপা য়াই। মখোয়শিং অদুদি ঃ- ১) মহৌশানা মতোমতা লৈজরকপা মুক্তাশিং ২) কোংগ্রেংগুম্বদা থারগা শেম্বা মুক্তাশিং ৩) খূৎশেমগী ওইবা মুক্তা মখলশিং অসিনি।

মহৌশানা মতোমতা লৈজরকপা মখলগী মুক্তাশিং অসি মীওইবনা ওইহনবা নত্তবনিনা য়াম্না তাঙনা ফংই অমদি মসিগুম্বা মুক্তা অমা ফংননবা হোৎনবদা কোংগ্রেং নৎত্রগা ওইসটর ময়াম হাংদোক্তুনা থিবা দরকার ওইবা মরম্না মমলসু য়াম্না তাঙই। মুক্তাশিং অসি কোংগ্রেংগুম্বা জিবশিংগী মকুগী মনুংদা করিগুম্বা পোৎশক অমা হায়বদি লৈবাক মচেৎ, নূং মকুপ, পেরাসাইট কুম্বা নৎত্রগা মেন্টলদা অশোকপা য়াওবদগী মেন্টলগী মচেৎকুম্বা চঙখিবদগী মখোয়দা নুংঙাইতবা ফাওরক্তনবগীদমক পুথোরকপনি।

করিগুম্বা কোংগ্রেং অমদগী মেন্টলগী মচেৎ অমা লৌরগা অতোপ্পা কোংগ্রেং অমদা হাপচিল্লগা মুক্তাশিং পুথোকই। হাপচিনখ্রিবা পোৎশক অসিনা মরম ওইদুনা মুক্তা পুথোক্লকপনি। অসুম্না মুক্তা পুথোক্লবগী থৌওং কয়ামরুম লৈ। থৌওংশিং অদুদি গোনাদতা হাপচিল্লগা শেম্বা, তোংশাদা হাপচিল্লগা শেম্বা অমসুং মেন্টলদা হাপচিল্লগা শেম্বা অসিনি। ঐখোয়না অপাম্বা মওংগী পোৎশক অমা হাপ্তুনা মুক্তা শেল্লবদি ঐখোয়না হাপচিল্লিবা পোৎশক্তুগী মথক্তা লেয়র ময়াম কুপশিল্লক্তুনা মুক্তা অদু হাপচিনখ্রিবা পোৎশক্তুগী মওং অদুমক ওইরকই। মুক্তা অসি লৌথোকপদি থা তরক নৎত্রগা মসিদগী হেল্লবা মতুংদা লৌথোকই। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি কোংগ্রেংদা থারগা পুথোকপা মুক্তা অসিনা হৌজিক য়োন্নরিবা মুক্তাশিং অসিগী অচৌবা শরুক অমা ওইরি।





খূৎশেমগী ওইবা মুক্তা অসিদি মমল হোংবা লৈতেংগী পোৎশিং শেম্বদা শীজিন্নে অমদি নানবা অমসুং লংবগী চাং অসি য়াম্না নেম্মী অমসুং অশেংবা মুক্তাশিংগা য়াম্না খেন্নে।

মুক্তাগী য়াম্না ফজবা মওংগী অরংবা অসি ট্রান্সলুসেন লায়রশিংনা থোকহনবা মঙালশিংগী রিফ্লেক্সন, রিফ্রাক্সন অমসুং দিফ্রাক্সননা ওইহনবনি। লায়রশিং অসি য়াম্না পাবা অমসুং মশীং য়াম্বগী মতুং ইন্না লংবা অমসুং ফজবা হেল্লি। মুক্তাশিং অসি মখল কয়াগী মচু শংবসু য়াই। মরু ওইনা ঈশিং ঈচমদা লৈবা কোংগ্রেংশিংনা পুথোকপা মুক্তাশিংদনা হেন্না মচু শংনৈ। মুক্তাশিং অসি অশোনবা এসিদতসু তুম্বা ঙম্মী। ঈশিং ঈচমদা লৈবা হৈনবা কোংগ্রেংশিং অসি য়াম্না শাবা অমসুং য়াম্না ঈংবা মফমদসু ফংই। তৌইগুম্বসুং হৌজিক শীজিন্নরিবা মুক্তাশিং অসি চিনাদগীনা অয়াম্বনি। করিগুম্বা পোৎশক অমা হাপচিল্লগা শেমখিবা মুক্তাশিং অসি মহৌশানা ফংবা মুক্তাশিংদগী ইরায় লায়না এক্স-রেগী মতেংনা খন্দোকপা ঙম্মী। পোৎশক অমা হাপচিল্লগা শেমখিবা মুক্তাশিং অসিদদি ঐখোয়না হাপচিনখ্রিবা পোৎশক অদু উবা ঙম্মী তৌইগুম্বসুং মহৌশানা ফংবা মুক্তাশিং অসিদদি কেলসিয়ম কার্বোনেটকী লেয়র ময়ামশিংদমক ওইনা উগনি। মাইক্রোসকোপকী মতেংনা খূৎশেমগী ওইবা মুক্তাশিং অসি মহৌশানা ফংবা মুক্তাশিং অমসুং কোংগ্রেংগুম্বদা থাদুনা পুথোকপা মুক্তাশিং অসিদগী ইরায় লায়না খন্দোকপা য়াই। অতোপ্পা য়াম্না লায়না খঙবা য়াবা থৌওং অমনা খূৎশেমগী ওইবা মুক্তা অনী তক্লবা মতমদা য়াম্না নান্না অদুমক লৈগনি অদুবু মহৌশানা ফংবা মুক্তা নৎত্রগা কোংগ্রেংগুম্বদা থাদুনা শেম্বা মুক্তা মখল অনী তক্লবা মতমদদি কেলসিয়ম কার্বোনেটকী লেয়রশিং অদু তৎলকপনা মরম ওইদুনা নাননা লৈরোই, মফোল খর থোকপগুম্না উগনি।

হৌজিক হৌজিক চিনানা মালেমদা মুক্তা খ্বাইদগী হেন্না পুথোকপা লৈবাক ওইরি। চিনাগী মুক্তা পুথোকপগী চাংসি চহী অমদা মেত্রিক টন ১৫০০ নি। তৌইগুম্বসুং মালেমগী লৈবাক খরদা মুক্তাগী পোৎথোক হেনগৎনবা কন্না হোৎনরি। মুক্তা থাবদা শীজিন্নগদৌরিবা ঈশিংগী ফীভম অসি ঙা য়োকপদা শীজিন্নরিবা ঈশিংগা চাওরাক্লা মান্নে। মরম অদুনা ঙা য়োকপগা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা য়াই। কোংগ্রেংদা মুক্তা থাবগী থবক অসি মণিপুরদসু শেন্দোং লৈনা পায়খৎপা য়াবা শিনফম অমনি। তৌইগুম্বসুং হান্না পায়খৎনদ্রিবা থৌওং অমা ওইবনা এক্সটেন্সনগী থবক তৌরিবা মীওইশিং অমসুং থৱায় য়াওবা লৌমীশিংগা খূৎশম্নদুনা পায়খৎমিন্নরবা মতমদতা মণিপুরদসু মুক্তা মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি।

## থৌদাং য়ামিন্নদুনা অফবা মরু পুথোকপা

**এস সুমঙ্গোল সিংহ**

**মরু** হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়দুনা মরু কৌরিব্রা হায়বা ফাওবা য়ারে হায়নরিবনি। লৌউ পোখোকশিং পুথোকপগী চাং হেনগৎহনবদা মরুনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। লোয়ননা মরু হায়বসিনা লৌউ কাংলোন খুদিংমকপু মাঙদা পুদুনা চৎলিবা গাড়ী অমনি। গাড়ী অসিনা লেপখিবদা হায়বদি মরুনা লৈত্রবদা লৌউবা লেপখিগদৌরিবনি। মরম অদুনা মরুবু মশা ফহল্লবা/গাড়ীদুবু ফীভম ফনা থল্লবা, মদুবু থৌরিবা হায়বদি লৌউ-শিংউ তৌরিবশিংনা নীংথিনা হৈ শিংনা লৌ উরবা অমসুং গাড়ীদুনা থৌগদৌরিবা লম্বীদুনা/লৌ উবদা চঙবা পোৎলমশিং অদুনা মতম চানা, খরা হোংনা ফহনবা/ফংহনবা ঙম্লবতদা লৌউ শিংউনা মাঙলোমদা য়াঙনা চেনবা ঙমগদৌরিবনি। মসিদা পূম্নমক্কী থৌদাং চাউনা লৈ। গাড়ী নিংথিনা শেম্বী শাবিবনা লৌউ বৈজ্ঞানিকশিংগী থৌদাংনি অদুগা লম্বী ফহনবনা লৈঙাক্কী থৌদাংনি। মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক্তি মরুগী মরু ওইববু খঙবিদুনা লৌউ লোইশঙগী খুত্থাংদা থৌদাং য়ামিন্নদুনা অফবা মরু পুথোকপগী খুদোংচানবা সীদ সর্টিফিকেসন সেল অমদি থন্বীরে। মসিগী মখাদা অফবা মরু পুথোকপগী থবক খরদি সি এ য়ু, আই সি এ আর, লৌউ লোইশঙ, কে ভি কেশিংগা অমদি থৱায় য়াওবা লৌ উরিবা ইচিন ইনাওশিংগা পূন্না চৎমিন্নদুনা অফবা মরু পুথোকপা হৌরে।

**মরু করিনো?** - লৌউ-শিংউগী লোন্দা থাননবা শীজিন্নরিবা পূম্নমকপু মরু কৌই। খুদম ওইনা ফৌদি হায়রগা ইপা ইপুশিংনা থাননবা ফৌবু খঙনরম্মী, ইচম চম্না ফৌ কৌরমদে, কোত্তা চাননবা থল্লিবা অদুবুনা ইচম চম্না ফৌ হায়রগা খঙনরম্মী। মসিগী অর্থ য়াম্না লৈ। অসুম্না চুগী মমিৎ য়াওবা মতাংশিংবু, আলুশিংবু, পান্নাওশিংবু, শিং, য়াইঙংগী মনাওশিংবু থাননবা শীজিন্নবা মতমদা মরু হায়না খঙনগনি। লৌউ-শিংউগী লোন্দা, কোত্তা চাননবা থল্লিবা ফৌ অদুবুনা গ্রেন হায়না খঙনৈ।

**অফবা মরু কদায়বু কৌবগে?**- তোঙানবা চেনফম থোকপা মগুন খরা চেনবা মরুশিংবু অফবা মরু কৌননবা মচাক ওইহল্লি। মগুনশিং অদুদি ঃ ১) পারি পুরি শেংবা (জিনেটিক প্যুরিটি) - থাগদৌরিবা মরু অদু ধারা শেংবা ওইবা তাই। খুদম ওইনা সনাফৌ থারগা সনাফৌ হৌরক্কদবনি, তম্ফা ওইনা থোরকপা য়াদে। জিনেটিক প্যুরিটি অসি ৯৮% ওইবা তাই। হায়বদি সনা ফৌ পান্বী চামগী মনুংদা ৯৮ তি সনাফৌ ওইগদবনি। অনীনা অতোপ্পা ওইবা ফাওবদি য়াই। ২) অমোৎ অকায় য়াওদবা ঃ উফুল, নুংকুপ, চৈতেক-চৈরাং, ফৌহাম, অতোপ্পা পান্বীগী মরু, চরু-মতেক্লচিংবা অমদি অতোপ্পা পোৎলমশিং য়াওবা য়াদে।

৩) মরুনা হিংবগী মগুনশিং ঃ (ফিসিওলোজিকেল প্যুরিটি)

ক) ইনিলগী চাং - ১৩%। মসিদি য়াম্না কংনা ফৌরগা অদুমক য়ারে। চাং য়েংগে হায়রগদি ফৌ খরা লৌরগা খুনিংনা লৈখাইবা মতমদা চেঙ মপুম ওইনা থোক্লক্লবা অদুগা চেঙ অদু য়ানা চিকপদা কক লাওবা মখোল থোক্লবদি য়ারে। খ) মতোন থোকপগী চাং - ৮৫%। গ) মপাঙ্গল- মশা ফনা হৌবা ঙম্বগী চাং অদুবুনি। ফৌহামদগীসু ফৌ হৌবা ঙম্মী অদুবু কৈদৌনুংদা মশা ফবা পান্বী ওইবা ঙল্লোই। ঘ) হিংবগী চাং-মরুশিং অদুগী মরক্তা কয়া য়াম্না হিংলিবগে হায়বদুনি। হিংলবদি মতন শোইদনা থোক্কনি। ৪) লায়না তীলনা - মরু মশা শেংবা তাই, লায়না চেনবা মরু য়াওদবা তাই, লোয়ননা তীলগী মরুম অমদি মচা য়াওদবা তাই।

**অফবা মরু পুথোকপগী লৌউ কাঙলোন ঃ** অফবা মরু পুথোক্তুনা লৌমীশিংদা মরাং কায়না মতম চানা য়ৌহন্নবগীদমক মরুগী মখলশিং (ক্লাস) মথং-মনাও নাইনা পুথোকপগী কাঙলোন শেমদুনা লৈ। মরুগী মখলশিং অদুদি ঃ- ক) ন্যুক্লিয়স সীদ খ) ব্রীদর সীদ গ) ফাউন্দেসন সীদ ঘ) রেজিষ্টরদ সীদ - মসিমদি কাম্থোক্লরে ঙ) সর্টিফাইদ সীদ-মসিমদি অফবা অশেংবা মরু হায়দুনা ময়ামদা ফংহল্লিবদুশুনি।

হায়রিবা মরু মখলশিং অসিবু য়োল্লিবা অদুগী মথক্তা থারিবা লেবেলগী মচুশিংদি- ব্রীদর সীদকীনা - সনা মচু হাইরপ চঙবা নাপুনি। ফাউন্দেসনগীনা - অঙৌবনি। সর্টিফাইদকীনা - শংলপ তৌই।

**অফবা মরুগী কান্নবা ঃ** অফবা মরুনা থাবা মতমদা চাথোক অসি ১৫%-২০% ফাওবা হেনগৎহনবা ঙম্মী। হায়বদি কোৎতগী হেক্তা পেল্লগা থাবগা অফবা মরুনা থাবগা চপ মান্ননা হোৎনবদা ফংবা চাথোক অনীসি য়েংনবদা অফবনা থাবনা ১৫%-২০% হেন্না থোকই হায়বনি। পরিদা ফৌবোৎ ১০০ থোক্লম্বা অদু ১২০ থোকই হায়বনি। অসুম্না মণিপুরগী লৌ পরি চাওরাক্লা লাক্ষ অমা মখাই খরা হেনবা অসি লোইনমক অফবা মরুনা শিন্দোকপা ঙল্লবদি ফৌগী চাথোক অসি লাক্ষ ৩০ গী মথক্তা হেনগৎপা ঙমগদৌরিবনি। অদুবু লাইবক থিবদি মণিপুরদা অফবা মরুনা কয়া য়াম্বা লৌফমদা থাবা ঙল্লবগে? করম্না ওইথোক্কনি?

**সীদ রিপ্লেসমেন্ট ঃ** থানরিবা মরুশিং অফবা মরুনা শিন্দোকপবু সীদ রিপ্লেসমেন্ট কৌই। লৌফম অপূনবগী চাদা কয়া য়াম্না অফবা মরুনা শিন্দোকপা ঙল্লবগে হায়বগী চাং অদুবু নৎত্রগা চঙগদবা অপূনবা মরুগী চাদা কয়া য়াম্না অফবা মরুনা শিন্দোকপা ঙল্লবগে হায়বরোমদা পারবসু মদুবু সীদ রিপ্লেসমেন্ট রেট হায়না খঙনৈ। মণিপুরগী ওইনা হায়রিবা অসি কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বদু চপ চানা হায়বা ঙমদ্রবসু য়াম্না নেল্লি, চাদা ১০-১৫ দগী হেন্দে হায়বা য়াই। অতৈ ষ্টেট খরগী অমুক য়েংসি।

অন্ধ্র প্রদেশ - ১০০%, টামিল নাদু-৭০%, কর্ণাটাকা ৪২%, আসাম - ৪৬%, পঞ্জাব - ৪০%।

মসি ২০১০-১১ গী দাতানি। ফৌগীদমক অফবা মরুনা হানবা থারবা মতুং চহী অহুম ফাওবদি মদুদগী লোকপা ফৌনা অদুমক অফবা মরু ওইনা থাবা য়াই। মরিশুবা চহীদদি অনৌবা অফবা মরুনা অমুক শিন্দোকপা তঙাইফদে। মরম অদুনা অপূনবা লৌফমগী শরুক মরি থোকপগী অমত্তং হায়বদি চাদা ২৫ শিংদাকপগী পান্দমখক ফংবদা অদুমক য়ারবনি। মসি ফাওবা, ঙসি ফাওবা মণিপুরদদি ফংবা ঙমদ্রি।



*ফৌদি পুথোক্লবগী লৌফম অমা*

**ফৌদি পুথোকপগী কাঙলোন ঃ** ১) ঙসিদি ইন্দিয়াগী অয়াম্বশিংদা চঙশিনমিন্নবগী ওইবা মওংদা অয়াম্বা চঙশিন্নরক্লি। মওং অসিদি সাইন্টিষ্টশিং, এক্সটেন্সন পার্সোনেলশিং, মরু পুথোক্কদৌরিবা মীওইশিং, সর্টিফিকেট পীগদৌরিবা মীওইশিং পূন্না চৎমিন্নবগী মওংনি। থৌওং অসিনা মাই পাকপগী চাংসু য়াম্না হেনবা থেংনরি।

**হৌজিক ফৌদি পুথোকপগী লৌউ কাঙলোন খরা য়েংসি ঃ** ক) লৌফম খনবা ঃ হান্ননা মান্নদবা ভেরাইটি থাখিবা মফমদা খরা হেনবা মিৎয়েং চঙদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎত্রবদি শোইনিঙাই ওইবা মরম্না মফমশিং অসিদা থারোইদবনি। অদুবু কনাগুম্বনা তঙাইফদনা থাদবা য়াদে হায়বদি মফমদুদা হৌরকপা য়াবা হান্নগী ফৌশিং হৌদোকহল্লবা মতুংদা মখোয়বু হান্না মাঙহন্নবা হোৎনগনি।

খ) আইশোলেসন ঃ মরু পুথোক্লবা ফৌ থাগদৌরিবা মফম অদু অতোপ্পা মান্নদবা। ফৌশিংদগী লাপ্পা থাবা তাই। মরু থাগদৌরিবা লৌফম অদু অতৈ ফৌ থাফমদগী মিটর ৩ মায়কৈ খুদিংমক্তা লাপ্লহনগনি। নৎত্রগনা থংনরিবা ফৌ অদু য়ামদ্রবদা থা মখাই অমদগী তাদনা অমনা ঙনবা নৎত্রগা থেংনা শাৎপা ওইগদবনি। গ) লৌহোন হুনবা ঃ ফৈদোম নাইনা শেল্লগা লন্তক্লা হুনবিগনি। ফৈদোমশিং মিটর অমদগী হেন্না পাকহনগনুসি। মসিনা লৌহোন শেন্নবা মতমদা খুদোং য়াম্না চাবা হেলহনগনি। ঘ) মরুদা হীদাক তোৎপা ঃ ক্লোরোপাইরিফোস ২০% ই সি মিলি: ৪ গা কারবেন্দজিম ৫০% গ্রাম ৪ গা পূন্না ফৌদি কিলো অমগীদমক চঙগনি। ফৌদি অদুনা তীলনা অমদি লায়না চেনবা মরু ওইরল্লবদি য়াম্না কান্নবা ফংগনি। হীদাক তোৎপগী মওংদি তোঙান তোঙান লৈখ্রে।

২) **হার হাপ্পা ঃ** অতৈ ফৌ থাবগা মান্নে অদুবু পোটাস খরা হেন্না হাপ্পা ফৈ। মণিপুরগী ওইনা পরিদা য়ুরিয়া কিলো ১৬০-৭০; সিঙ্গল সুপর ফোসফেট: কিলো ২৫০-৬০; ম্যুরিএত ওফ পোটাস: কিলো ৮০ চঙগনি। অহুল্লক থোকনা চাইসি। ১) অরোইবা খোইবদা য়ুরিয়া তঙ্খাই অমা এস এস পি পূন্না পোটাস তঙ্খাই অমা হায়রিবশিং অসি পূন্না চাইগনি। ২) মচা কন্না পোল্লকপা মতমদা লেমহৌবা য়ুরিয়াগী তঙ্খাই অমা অমুক অদুগা ৩) মশা তাশিনবা মতমদা লেমহৌবা য়ুরিয়াগা লেমহৌবা পোটাসকা পূন্না চাইগনি। ৪) হাবেংবা : নাপীগা ফৌগা য়েৎনরবদি চাথোক য়াম্না হন্থে হায়বসি ইথং খঙনরবা অমনি। মতম চানা নাপী হীদাক শীজিন্নসি। ৫) ফৌমাং খন্দোকপা ঃ মসি য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমনি। মসি ফৌ মরু শেংহনবদা তৌদবা য়াদ্রবা অমনি। লৌহোন ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা মান্নদবা খন্দোকপা হৌবা য়ারে। মতম পূম্নমক্তা কুপশেন শেন্নদুনা মওং অমদা মান্নদবা থেংনরবদি চিংনদনা হেক্তা লৌথোক্কনি। মসি ফৌ লোক্লমদাই ফাওবা চথবিগনি। ৬) লায়না তীলনা ঃ মতম মতমদা তারকপা খুদিংমক ঙাকথোক্লবা অখঙ অহৈ মতম চানা তানবীগনি। ৭) লোকপা ঃ মতম চানা লোকপা য়াম্না মরু ওই। চরোংদা পাল্লিবা মরুশিংগী ৯০% চরু মচু ওল্লবা মতমদা লোকপা য়ারে। কা হেন্না মুল্লগা লোকপগী মাঙজবা য়াম্না লৈ। মুন্দ্রি খল্লিবা শংলিবা মরুশিং মুনবা ঙাইরিঙৈদা চরোংগী মতোন্দা পানবা মরুশিং কেন্দুনা মাঙবনা হেনগনি। শংমুন্ননা খাওবা মতমদা খাওদোক্লবা পান্বীশিং অদুসু পাল্লবা মরুশিং অদুসু হিংলিবনি। ফৌখোক্তা য়াওরম্বা মচিঞ্জাক খুদিংমক মরুদা চুপখৎতুনা শংলপ তৌবা মরুশিং মপূং ফাবা ঙম্মী। ৮) য়ৈবা ঃ অনানবা, অতোপ্পা ফৌমাং পত্ত্রবা ফক্তা য়ৈবিগনি। ফৌদি হাইফমদা তাবা মরুদমক লৌবনা ফৈ। ৯) মরু শেংদোকপা, খনবা অমসুং পেক্কিং তৌবা ঃ য়ৈরবা ফৌশিং শেংনা হুমদোক্তুনা চরু মতেক, ফৌহাম, অতৈ অমোৎ অকায় য়াওদনবা হোৎনসি। কংনা ফৌগনি। বোরাদা হান্দুনা মমিং মথা থাদুনা থমগনি। বোরাশিং য়ারিমখৈ অহনবা শীজিন্নসি, অরিবা বোরা ওইরবদি হান্নগী ফৌ পক্তনবা হোৎনবীগনি।

অসুম্না লোক্লবা মরুশিংগী সেম্পল লৌদুনা ঈশিং-মনিল, অমোৎ অকায়, চৈতেক-চৈরাং, ফৌহাম, অতোপ্পা মরুনচিংবা য়াওবগী চাংগা লোয়ননা মতোন থোকপগী চাং য়েংলবা মতুংদা সর্টিফাই তৌহনগনি।